থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৱাহৈগী মতিক-ময়াই

ঙসিগী ৱারেং অসি ৱাহং অমনা ৱাহৌ ওইজগে। অদোমখক্তদা নত্তে, ৱাহং অসি হংজরিবা ইশাদসুনি। ৱাহং অসিগী চপ চাবা পাউখুম, লৈতে ঐগী ইফমদসু। থিরিবনি ঐহাকসু। ঐনা/নঙনা/মানা/ঐখোয়না খঙজবা লোল অমগী (ইশাগী ইমালোল, ইংলিস নৎত্রগা হিন্দিগী) পূক্কে, ভোকেবুলেরিগী চাং অসিবু নোংমদা ঐখোয়না ঙাকথোকখিবা ৱাহৈগী মশীং অদুনা লেপ্পরা? ঐদি খল্লি - লেপ্তে। কনাগুম্বা অমনা ইথোরকপদা নৎত্রগা ঙাঙথোরকপদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ-মানা খঙজবা, হৈজবা ৱাহৈগী লিমিট অদুগী মনুংদনি। মহাক্না খঙদবা, শীজিন্নবা হৈতবা লোল অমত্তা শীজিন্নরক্লোই। চপ মান্নবা হীরম অমদা কনাগুম্বা অমনা পুং অমা চূপ্না ঙাঙলবসু করিনো লৌফম খঙদবদু অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনদি মিনট মঙাখক ঙাঙবদা মরীক চূম্না ফোঙদোকপা ঙম্মী। ইবদসু অমহানি। ৱাকোই, ৱারেম শূদুনা লমায় তরা ইবদুগা, মচা খায়না লমায় অমখক ইবদুগা চাংদম্লবা য়ারোই। অদুনবু অঙাং ওইরিঙৈ 'ৱা-মচং' (প্রিসিস) ইবা তম্বীরকখ্রিবনি। অশম্বা ৱা (ৱা-মচং) ইবসি লোল অদু মমুৎ তানা, কূপথনা খঙদবা য়াদে। ভোকেবুলেরি ইনাক খুনবা মীনা ইরকপা ৱা-মচং মওং তাই, ফজৈ, ইফেক্টিব ওই।

মীওইবগী ৱাহৈ হায়বসি লাই-য়েকপা (কলাকার) অমগী ফজবা শক্তম অমা শাগৎপদা শীজিন্নরিবা তুরি অমদি মখল কয়াগী মচুদুগুম্বনি। ৱাহৈশিংদু ঙাঙথোরকপা নৎত্রগা ইথোরকপা মতমদা অতাবা অমদি অপাবশিংদুগী পূক্লিং কৌবা অঙকপা মেছিন অদুনা ৱাহৈশিংদু শক্তম ওইনা ওন্থোকই। ৱাহৈ অমমমনা মান্নদবা শক্তম মচেৎ অমমম! অশানবা (ভারাগী) কা অমদা তাংজদুনা চলাইরিবা লূপ অমগী সেক্রেটরি নৎত্রগা প্রসিদেন্ট'না 'অশানবা কা মচা অসিদা ওফিস ওইনা লৈবসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংসি কোক্লবা কনফরেন্স রুম অমদি ওদিটোরিয়ম য়াওবা মথোল অনী লোঙবা বিল্ডিং অমা শারগনি' হায়না লাউথোরকপদা মেম্বরশিংগী পূক্লিংদুদা মাগী মাগী ৱাখলনা শক্তম অমমম শাগৎতুনা উই। 'মথোল অনীগী বিল্ডিং অমা শারগনি' হায়বা নত্তবা ... 'লূপসিগী ওফিস তিন্না কূপ্পা য়ূম অমা শারগনি' ... হায়রম্বা থোক্লবা, মেম্বরশিংগী পূক্লিংদা উরমগদবা শক্তম অদু মান্নরোই। মরম অসিনা, ঐখোয়না ঐখোয়গী ৱা নহানমখৈ হায়নরম্বদু শেমদোক্লগা অসুম্না হায়বা য়াই ... 'ঐখোয়না ৱাখল খনবদা ৱাহৈ ওইনা খন্দোক্লগা খন্দে, শক্তম ওইনা/মমি ওইনা শাগৎলগা খল্লি, মমিদু মশক তাক্লবা ৱাহৈগী মতেং লৌবনি'...। লাইরিক অমা পারুবা, লেকচর অমা তারুবা... পারুবা/তারুবা ৱাহৈশিংদুনা অহিংবা শক্তম ওইনা মীৎমাঙদা তরং-তরং চোংথোকহল্লি। অসুম্না, ঐখোয়না ৱা ঙাঙবদা নৎত্রগা করিগুম্বা অমা ইবদা, ঐখোয় ইশানা ইশাবু সিনেমা-কাপ্পবা-মেছিন (প্রোজেক্টর) অমনি খনগদবনি। ঐনা শেমগৎলিবা শক্তম অমদি মমি (পিকচর এন্দ ইমেজ) শিং অদুগী ময়েক লাবা/লাদবা, মমি শেংবা/শেংদবা অদুগী মতুংইন্না অতাবা অমদি অপাবশিংগী রিএক্সন কমদৌই লেপকদৌরিবনি।

মাঙলমচত্তা ঐখোয়না কয়ারক থেংনখ্রে - রেল এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা থোক্তুনা অৱাবা নংবা মীকূপ্তা রেলৱে-মিনিষ্টরনা লাউথোকপা ... 'থৌদোকসি করম-থোকখ্রিবনো থিজিন্নবা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেম্লগনি, অদুগা লাইবক থীবা থৌদোকসিগী ফুল-রেস্পোন্সিবিলিটি লৌদুনা ঐহাক রেলৱে-মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌরে'...।

হায়নখি - মিষ্টর এক্স, মিনিষ্টরদু মথৌনা লৈ, ফমগীদমক মিকাবা লৈতে, অদুগুম্বা মিনিষ্টর ঙসিদি উবা ফংলরোই। ঐদি খল্লি - মহাক পাঙদবা মিনিষ্টরনি। মীকিথীনি, মীতম্বালনি। মহাক্না মিনিষ্টর-ফম থাদোক্লিবা, সেক্রিফাইস নত্তে, মথৌদগী নাথৈবনি, রেস্পোন্সিবিলিটি লৌনীংদবনি। ... 'এক্সিদেন্ট অসি করম্না থোকখিবনো ... কনানা করি চেকশিনহৌদবদগী থোকখ্রিবনো ... কনাগী মরাল কয়াম লৈ হায়বদু ইনক্বারি কম্মিটি অমনা থিগৎকনি, কম্মিটিদুগী রিপোর্ট চয়োল অমগী নৎত্রগা ২গী মনুংদা পীখৎকদবনি - মরাল লৈরম্বা মী খুদিংমক, মিনিষ্টর ইশামক য়াওনা, মরালগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংগনি ... ঐহাক্কী অশোয়বা, চেকশিনহৌদবা, অরানবা ৱারেপ অমদগী থৌদোক অদু থোকপা ওইরম্লবা, ঐহাক মিনিষ্টর ওইবা তোকপ'তা নত্তনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইবা তোক্কনি'... হায়না লাউথোকপা ওইরম্লবা, মহাক্কী ৱাহৈশিং অদুনা অতাবশিংদা পীরমগদবা ইথিল পূমতোপ তোপ্পা ওইরমগনি। ইংলেন্দগী পার্লিয়ামেন্ট সেসন মনুংদা মিনিষ্টর অমনা পাউখুম পীগদবা ইস্যু অমগী দিস্কসন, ত্রাফিক জাম থোক্তুনা মিনিষ্টরদু মিনট তরা থেংনা য়ৌরক্তুনা দিস্কসনদু হৌবদগী য়াওবা ঙমখিদে। মহাক্কী পাউখুম পীবই মতম য়ৌরকপদা মহাক্না 'ঐহাক মীফম অসিদা মিনট তরা থেংনা য়ৌরক্তুনা, ওনরেবল মেম্বরশিংনা হায়খিবা/খন্নখিবা ৱাফমশিংদু তাজহৌদ্রে ... লুরবা ইস্যু অসি খন্নবদা মতম চানা লাকপা ঙমখিদবা, থৌদাং লৌদবা মিনিষ্টর অমা ওইরুবগী ইরাল লৈরবা ঐহাক, ইশানা য়ানা মিনিষ্টর ওইবা তোকপদা নত্তনা হাওস অসিগী মেম্বর ওইবদগী তোকচরে' ... হায়রম্লগা পার্লিয়ামেন্ট'তগী মপান থোকখিবগী ভাইরেল ওইরবা ভিদিও'দু ঐগী ফোন অসিদা ফনা কুইনা য়াওরম্মী। মিনিষ্টর অনীসিগী মান্নদবা ৱাহৈশিং অসিনা অতাবশিংগী পূক্লিং অমদি ৱাখলদা পীরিবা মান্নদবা ইমপেক্ট অনীসি য়েংবীয়ু।

'ঐখোয় হৌজিক অরুবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্লরে' হায়বসিগা 'ঐখোয় হৌজিক অচৌবা শিংনবা অমা মায়োক্লবা তারে' হায়বসিগা অনীসি মান্নদে। থবক অমা/কারবার অমগী ৱারী শারকপদা 'ঐনা তৌদৌ তৌরম্লবনি, করিমত্তা কান্নদবনি, ইরোন ইরাঙ তাকখ্রবনি, তৌরুনু' হায়রুবগা 'ঐসু হোৎনদুনা য়েংলম্লবনি, কদায়দা করি শোয়খিবনো, মায় পাকপদি ঙমখিদ্রে, অমুক হন্না হোৎনখিগে খল্লি' হায়রুবগা অতাবা মীদুগী থম্মোয়দা করি খেন্নবা ফাওরমগনি? অমুক্তং খন্থমিন্নসি।

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা আই সী য়ুদা এদমিসন তৌবগী চাং নুপানা নুপীদগী শরূক অহুমলোম হেল্লি: ষ্টদি



কোভিদ-১৯না শোকহনবগী চাং অসি নুপীদগী নুপাদনা হেল্লি হায়বসি পেন্দমিক অসিনা হৌগৎলকপগী অহানবা চয়োলশিং অমদি থাশিংদা মালেমগী মফম শীন থুংবদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা থবক তৌরিবা হেল্থ প্রোফেসনেলশিংনা খঙখ্রবনি।

হৌজিক অমুক জেন্যুৱারীদগীনা জুন ফাওবদা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ কেস মিল্লিয়ন ৩ হেনবগী গ্লোবেল এনালাইসিস অমদা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)দা এদমিসন তৌবা মথৌ তাবগী চাং নুপীদগী নুপানা শরূক অহুম হেল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

মসিদসু নত্তনা লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিবা য়াবগী চাংসু নুপীদগী নুপানা শরূক ১.৪ রোম হেল্লি, অদুমকপু নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন রিস্কতি মান্নে হায়রি।

রিসার্চরশিং অদুনা মালেমগী লৈবাক ৪৬ অমসুং য়ু এস ষ্টেট্স ৪৪ গী রিপোর্ট ৯০দগী ফংবা দেটা এনালাইজ তৌখি। দেটা অদুনা উৎখি মদুদি, ষ্টদি অদুগী কেসশিং অদুগী মনুংদা মিল্লিয়ন ১.৫৭না নুপীনি অদুগা মিল্লিয়ন ১.৫৩না নুপাশিংনি।

অদুবু হোস্পিটালগী ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিটতা এদমিসন তৌরকখিবা কেস ১২,০০০গী দেটা য়েংবদদি কেস ৮,০০০ না নুপা অদুগা কেস ৪,০০০ না নুপী ওইরম্বা রিসার্চরশিংনা থেংনখি।

অদুগা ষ্টদি অদুগী মনুং চনখিবা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা কেস ২০০,০০০ হেনবগী মনুংদনা কেস ১২০,০০০না নুপা অদুগা ৯১,০০০ না নুপী ওইরম্মী।

নেচর কম্যুনিকেসন হায়রিবা জর্নেল অসিদা পব্লিস তৌরকখিবা ষ্টদি অদুনা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা য়াম্না চাউনা খেন্নরিবা অসিগী মরমদি এগজামিন তৌখিদে। অদুবু য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দন অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কেপ টাউন, সাউথ অফ্রিকাগী রিসার্চরশিংনা হায়বগী মতুংইন্নদি, চাউনা খেন্নরিবগী মরম অসি লমচৎ-শাজৎ নৎত্রগা শেল-থুমগী ওইবা খেন্নবদগীদি বাইওলোজিকেলগী ওইবা খেন্নবনা মরম ওইরম্বা য়াবগী চাং ৱাংই হায়রি।

হকচাংবু ভাইরসশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমগী পার্ট কয়ানা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মওং অসি নুপাগা নুপীগগী মরক্তা মান্নদে। করম্বা অকক্লবা বাইওলোজিকেলগী ওইবা ফেক্টরশিংনা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবশিং অসি লৈহল্লিবনো হায়বগী মতাংদা অহেনবা রিসার্চ তৌবা মথৌ তারি হায়না ষ্টদি অদুনা হায়রি।

ষ্টদি অদুগী ওথর ডা. কেট ৱেবনা হায়, 'নুপা অমসুং নুপীগী ইম্যুন সিষ্টেমগী মচাকশিং লোইনা খেন্নে হায়বা য়াই। হায়রিবা মচাকশিং অসিগী মনুংদা ভাইরেল ইনফেক্সনদা লৈবা আর্লি ইম্যুন রেস্পোন্সতগী হৌরগা টি সেল রেস্পোন্স, বি সেল রেস্পোন্স, অমদি ইম্যুন মেমোরি ফাওবা য়াওরি।' ডা. কেট ৱেব য়ুনিভর্সিটি ওফ কেপ টাউন অমসুং লন্দনদা লৈবা দি ফ্রেন্সিস ক্রিক ইনষ্টিটুটতা কন্সল্টেন্ট পিদিয়াট্রিক ৱ্যুমাতোলোজিষ্ট অমা ওইরি।

মহাক্না হায়, ইম্যুনিটিদা খেন্নবা লৈরিবশিং অসিগী ওইরম্বা য়াবা মরম কয়া অমা লৈ: হোর্মোনশিংদা ইম্যুনোলোজিকেল ইফেক্টশিং লৈ, নুপীশিংদা এক্স ক্রোমোজোম অনী য়াওই, অদুগা নুপাদদি অমখক্তংনি। এক্স ক্রোমোজোমশিংদা ইম্যুনিটিগা মরী লৈনবা জিনশিংনা পীক থন্না য়াওই হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

লায়না কয়ানা নুপা অমসুং নুপীদা মান্নদবা মওংশিংদা এটেক তৌই। মসি করিগীনো হায়বদুদি খঙদোকপদা য়াম্না লুবা বাইওলোজি অমসুং বিহেবিয়রগী কমপ্লেক্স মিক্স অমগী মখা পোল্লি।

য়ূমদগী মপান থোকপা অমদি মী য়াম্না তিনবা মফমশিংদা চৎপা য়াবগী ওইথোকপা অসি কলচর খরদদি নুপাশিংনা হেল্লি। রেষ্টরুম চঙলুরগা সাপোন অমসুং ঈশিংনা খুৎ-শা হামদোকপগী চাংসু নুপীদগী নুপানা হেন্না হন্থে। অদুমওইনমক, ষ্টদিগী দেটানা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা ইনফেক্সন রেট চাউরাক্লা মান্নে হায়না উৎলিবনিনা, নুপা অমসুং নুপীগী হাইজিন বিহেবিয়রদা খেন্নবা অসিনদি লায়না অসিনা নাবদা শাথিবগী চাংদা খেন্নরিবা অসিগী মরমদি ওইরমদবা য়াই হায়না রিসার্চরশিং অদুনা হায়রি।

খেন্নবা লৈরিবা অসিগী ওইরম্বা য়াবা অতোপ্পা মরমশিংগী মনুংদা হান্নদগী লৈরবা অতোপ্পা অনাবা নৎত্রগা কোমোর্বিদিটিশিং লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা নুপাশিংদনা হেনবা অসিসু য়াওরি। অদুমওইনমক, হায়রিবা ফেক্টর অসিগী মতাংদা মখোয়দা দেটা মতীক চানা লৈতে হায়না রিসার্চরশিং অদুনা হায়খি।

মৈখু শীজিন্নবা য়াবগী ওইথোকপসু নুপাশিংনা হেল্লি, অদুবু মৈখু শীজিন্নবা হায়বসিদি লায়না অসিগী ময়েক শেংবা রিস্ক ফেক্টর অমা ওইবগী খুদম লৈত্রি হায়না ষ্টদি অদুনা হায়রি।

মমাঙথক্তা থোকখিবা কোরোনাভাইরস ইপিদেমিকশিংগী মতাংদা ষ্টদি অদুনা হায়, হোং কোং অমসুং সিঙ্গাপোরদা এস এ আর এসকী লাইচৎ শন্দোকপা মতমদা নুপাশিংনা হেন্না শাথিনা নাখি। সাউদি অরাবিয়াদা এম ঈ আর এস শন্দোকখিবদসু শিবগী রিস্ক নুপাশিংনা হেন্না ৱাংখি হায়রি।

নুপীশিংদি মশা মনুংদা ফোরেন বোদি (অঙাং অমা) লৈনবগী মওংদা মখোয়গী কয়াৎশিং অদু বাইওলোজিকেল্লি দিজাইন তৌরকপা মরম্না ভাইরেল ইনফেক্সনশিংগী মায়োক্তা হেন্না অকনবা ইম্যুন রেস্পোন্স অমা লৈ হায়না রিসার্চ খরনা ফোঙদোক্লি হায়রি।

# এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম) গী ষ্টেট স্কিলস মিসনগী মীৎয়েং মখাদা ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট ৱাংজিং তেন্থা সী দি ব্লোক্না শীন্দুনা দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌসালিয়া যোজনাগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস কম মোবিলাইজেসন প্রোগ্রাম অমা লাঙথেল ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাংজিং তেন্থা সী দি ব্লোক্কী ব্লোক কোওর্দিনেটর স্কিলস তোইজম চনু লিম্থোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস কম মোবিলাইজেসনগী থৌরম অদু লাঙথেল য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী এদভাইজর মোইরাংথেম অজিৎনা থৌরম হৌদোকপগী ৱারোল পীখি। লোয়নন্না রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর স্কিলসকী থৌ পুরিবা ঙাংবম লোয়াঙানবনা দি দি য়ু - জি কে ৱাইনা মতৌ করম্না স্কিল দিভলপমেন্টকী প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপগে হায়বগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা সী দি ব্লোক্কী ব্লোক কোওর্দিনেটর স্কিলসকী থৌ পুরিবী তোইজম চনু লিম্থোই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর নিরভানা থৌনাওজম অমদি লিলোং সী দি ব্লোক্কী ব্লোক কোওর্দিনেটর স্কিলস অবিট হসনসু শরুক য়াখি। লাঙথেল য়ুথ দিভলপমেন্ট য়ুথ এসোসিএসনগী মীওইশিংবু এৱ্যের্নেস অদুবু মপূং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবগীদমক্তসু বি এম এম য়ু, ৱাংজিং তেন্থা সী দি ব্লোকনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**থোকচোম বিরেন, নিংথৌখোং ৱার্দ-১৪**

লমদম অসিগী মীওইশিং লাম্নোনা পাকশন্না চাক্লিবা চীংগোন্নুংদা লৈবগা পাঞ্জক ওইরে। মায়কৈ খুদিংমক অৱাবগী-পেন্দবগী খোল্লাউতনা পিক থনখ্রে। মীয়ামগী অৱাবগী খোল্লাউ অসি কনাগুম্বা মীওই খরদি তারমদবা য়াই। অদুবু তশেংনা লৈবাক মীয়াম ৱারে হায়বসিদি চুম্লবা ৱাফমনি। অহল ওইশিল্লক্তুনা নারবা অহল কয়া হোস্পিটালদা চৎতুনা অনা-লায়েংবা ফংদ্রে। অনা-লায়েংনবগী শেল মতিক চানা লৈজদ্রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অদুদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগী শেল অমুক পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা অৱাবা অমনি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা অসি লৈঙাক্লা লেম্নমক তৌবিবা ঙমদ্রবসু খরা খজিক টেষ্ট তৌবগী মমল হন্থহনবিরবদি লৈত-লায়রবা মীওইশিংদা খরদি শাফগনি হায়না খল্লি। তশেংনা হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি মমাংদা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংনরম্বা অদুম্না অমুক হন্না হাংবগী তঙাইফদবা লৈরবরা হায়না খল্লি। মরমদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমনা হোম আইসোলেসন তৌবা হায়বসিদা লায়রবনা অৱাৎপশিং লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা হায়বদু ওইরি।



**বিশ্বরজিৎ থোকচোম, খাঙবোক ময়াই লৈকায়**

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি লমদম অসিদা শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুবু মপুংফানা ফজবা মওংদা নিংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌবিদবনা ওইরিবরা হায়বগী চিংনবা অমসু লৈবাক মীয়াম্না ফাওনরে। তশেংনা হায়রবদা হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা কোভিদ-১৯গী লায়েং পথাপ অসি অসুক্কী মতিক লায়রবা অহল ওইরক্লবা মীওইশিংদা য়াম্না অৱাবা পীবা হায়বদু ওইহল্লে। মরম অসিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি করি মরমদগী ওইরিবনো হায়বদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনহন্নিংই। মদুদা কদাইদা শোইরিবনো অমদি করি-করি অৱাৎপা লৈরিবগে হায়বদু চপচানা খঙলকপা য়াই। কোভিদ-১৯ অনা লায়েংলিবা অসি লান্না লমজিংবা য়াওরবরা হায়বসিগী মতাংদসু থিগৎহন্নিংই। করিগুম্বা মরম খরনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু নিংথিনা লায়েংবিরমদ্রবদি চেন্নবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা অকনবা চৈরাক পীবিয়ু। লোয়নন্না লৈবাক মীয়াম্নসু তঙাইফদনা চেকশিনবগী মথৌ তারি। লৈঙাক্লা ফনা কন্না হোৎনরবসু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিবগী চাং লমদম অসিদা হেনগৎলক্লিবা অসি কদাইদনো অমা শোয়দনা হোরমগনি হায়না খল্লি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।১২।২০২০ইং, ইরাই; নুংথিল পুং ১০.৫ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৬নি পাল্লি মতুং ২৭নি পানগনি।

**মেষ :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা শেন্দোং ফংবা অমদি লেংদবা লন চাওখৎনবগী মরম লাকপা নুমিৎনি। নাপল তৌরদি তাথিনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** মরুপ মপাং লোয়নবা থবক কান্নফম খঙলোই অমদি লৈঙাক্কী লম্দা ইচং থৌবা কান্নরোই। লল্লোন ইতিক্তি কান্নগনি, ৱাখল থোক্কনি, নুংঙাইবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিথুন :** হকচাং খিংবা হেনবা, শিন-লাংবা হৈবা অমদি মরুপ্না তেংবাঙনীংবা নুমিৎনি। য়েৎনবা, খাংবা কন্দবা অমদি মীগী ৱা লৌবনা মাঙজবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অনীংবা ফোঙদোকপা য়াগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** পাউদি নুংঙাইবা তাই, অনৌবা মরুপ ফংগনি অমদি লম চৎপদা নুংঙাইবা ফংজগনি। মীয়ামগী মতেংনা ওইজবসু ফংজগনি। নাপলনদি মাঙহল্লি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী চেৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** মীয়ামগা মরী ফৈ, মীচং হেনগৎকনি, শেন্দোং ফংগনি, ৱাখল লৈনা থৌ পাংবা ঙমগনি অমদি অয়েৎপা কোকচরনি। মরুপ/অঙম্বনদি ৱারৌগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** ফিংবনা ইমুংদা ফাওবা পেন্নদবা লৈগনি-তপথৌ। হকচাং নুংঙাইবা, অরিবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং ফংদুনা চাওখৎপা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**তুলা :** মায় পাক্কনি-চিংনগনু ফৈ খনবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবসু লৈ। হুরানবা অমদি য়েক্লবদগীদি চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল য়াম্না নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** ইমুং মনুংতা নত্তনা মীয়ামগা মরী ফগৎলনি। অদুবু হুরানবনা ইমুংদা মীনু চংবদি লৈ-নচাক নরল থওইদবা তৌগনু। অনম তাল্লদি মথা শাগনি-ঈংথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** য়েৎনবদা মায় পাকপা, মচিং হেনগৎপা অমদি পন্দুনা লৈরম্বা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈ। য়েক্লবনা মরুপ কাইনহনবা অমদি নচা ননাই মাঙবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মকর :** নীংবা মপা চাগনি, খুৎচাও থাবা য়াবা নুমিৎনি অমদি অঙম্বনা চানবীবনা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি-থৌয়াম পুগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** মরুপ মপাংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা কান্নগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি অরং অরাক ফংবা য়াবা লৈরে। লৌনম চাওবনা মরুপ কাইনহনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পাউ নুংঙাইবা তাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**মিন :** শক-চু থোক্তবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবা লৈ-অনম তানগনু। পাউদি নুংঙাইবা তাগনি অমদি নঙগী ওইবা মী লোয়নৌ খুদিংমক মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ক্ষচাই, উখুল

## টুসার নোংথোম্বম







Tushar Nongthombam is a freelance photographer based in Imphal.